# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
## (DATE 12-03-2025)

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-অৱাং নোংপোক লমদমগী মহৈরোইশিংনা মখোয় মখোয়গী মরমদম থাদোক্তুনা অতৈ রাজ্যশিংদা থবক থিবা চৎত্রবসু য়ারগনি। মখোয়গী থবকশিং মরমদমদা ফংহল্লগনি।

ন্যু দিল্লিদা ষ্টুদেন্টস এক্সপরিয়েন্স ইন ইন্টর ষ্টেট লিভিং (সেল) না শিনদুনা পাঙথোকপা অৱাং নোংপোক লমদমগী মহৈরোইশিংগী ওইবা য়ুথ পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাংলদুনা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-ইং কুমজা ২০২৭ ফাওবদা অৱাং নোংপোক রাজ্যগী কোনুংশিং রেলগাড়ি, লম্বী থোং অমসুং নোংথক্কী লম্বীশিংগা শমহল্লগনি।

শ্রী অমিত সাহনা হায়-ভাইব্রেন্ট ভিলেজ প্রোগ্রামগীদমক লুপা কোতি লিশিং ৪,৮০০ চাদিং তৌখি। মসিনা অরুনাচল প্রদেসতা চাউনা কান্নবা ফংখি। মহাকা হায়-ভারতকী খ্বাইদগী চাউবা রেলগাড়ি অমসুং লম্বীগী থোং ব্রহ্মপুত্রগী মথক্তা শাবা লোয়রে। মসিগী মথক্তা অসাম অমসুং ভুটানগী মরক্তা ফাওনগদবা রেল লম্বী অমসু শেমগৎলি।

গৃহ মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা চহি তরা অসিদা লমদম অসিদা হিংশাগী থবক থৌরম চাদা ৭০ হন্থরে। মসিগী মথক্তা লমদম অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মীওইশিং শিবগী চাং চাদা ৭০ অমসুং মীচম শিবগী চাং চাদা ৮৯ হন্থরে। গৃহ মন্ত্রিনা হায়-মোদি সরকারনা লালহৌলুপশিংগা য়ান্ন-ৱারোল সহি তৌনদুনা লালহৌবা মীওই লিশিং ১০,৫০০ হেন্না খুৎলায় থাদোক্তুনা মহৌশাগী লম্বীদা হনজিল্লকখ্রে। হৌখিবা চহি তরাদা লালহৌলুপশিংগা শিংথানিংঙাই ওইবা য়ান্ন-ৱারোল ১২ সহি তৌনখ্রে অমসুং মীওই লিশিং ১০ হেন্না খুৎলায়গা কোন্ননা সরকারগা চংজরকখ্রে।

শ্রী অমিত সাহনা হায়-বি.জে.পি. সরকারগী মখাদা সিক্কিমদা ওর্গানিক্কী ওইবা লৌউ-পথাপ হৌদোকখ্রে। অসামদা লুপা কোতি লিশিং ২৭ চংনা পায়খৎলক্লিবা সেমি কন্দক্টর প্লান্টনা নহা কয়া থবক পীরগনি। গৃহ মন্ত্রিনা হায়-অৱাং নোংপোক লমদমদা লুপা কোতি লাখ অনি মখায় হেন্না থাদরগনি।

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

মনিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা লৈবা কৈরাউ ৱাংখেমদগী ৭.৬২ এম.এম. এস.এল.আর. অমা, মেগজিনগা লোয়ননা ৫.৫৬ এম.এম. ইনসাস রাইফল অমা, মেগজিনগা লোয়ননা পোইন্ট ২২ রাইফল অমা, দবল বেরেল নোংমৈ অনি, ষ্টনগন অমা, হেন্দ গ্রেনেদ তরুক, নোংমৈ মরুশিং, ৱয়ারলেস সেট অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

জিলা অসিগী থৌবাল দাম পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা লৈবা তুমুখোং অৱাং লৈকাইদগী বুল্লেট প্রুব জেকেট অমা ফাগৎখি। সেনাপতি পুলিস ষ্টেসনগী মনুংদা চনবা নেসনেল হায়ৱে টুগী টি-খুল্লেনদগী মীওই অমা কাণি কিলোগ্রাম ১৭ হেন্না অমসুং চাকা মরী পানবা গাড়ি অমা ফাগৎলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা তেরা উরক্তা লৈবা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী কেম্পতগী কাদর তরেৎ ফাগৎখি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অমা, নোংমৈ মরুশিং, হেন্দ সেট অমা অমসুং অতৈ চে-চাং কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

মনিপুর পুলিস অমসুং ফাইব বাই নাইন-জি.আরনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা শনজেনবম খুল্লেন খুলগী চিংখোংদগী কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমা ফাখি। ফারবা মীওই অসি মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকনি। মঙোন্দগী নোংমৈ মরু অমদি অতৈ পোৎলমশিং

ফাগৎলে হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী খুরাই চিংঙাংবম লৈকাই দি.দি.কে. ইম্ফাল গেট ময়াদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফারে হায়রি।

মরক অসিদা, নেসনেল হায়রে ৩৭ অমসুং নেসনেল হায়রে টুদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং গাড়ি ২৪১ অমসুং গাড়ি অমা পুশিল্লকখি।

**পোলুসন (এল) ঃ** মনিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্ডনা শিনদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ওফিসর অমসুং পুলিস পার্সোনেল য়াওনা 'এম্বিয়ন্ট নোইজ লেবেল মোনিটর' তৌবগী ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা রাজ্যগী ফোরেষ্ট ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি-অরুন কুমার সিনহা, দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী দাইরেক্তর-পি. ব্রজাকুমার সিংহ অমসুং মনিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্ডকী মেম্বর সেক্রেটরি-ডব্লিয় রোসন শরুক য়াগনি।

**ৱার্মিং (এল) ঃ** চহি অমদগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংবু তিন লৈতনবা হিদাক থাবগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা নেসনেল দি-ৱার্মিং নুমিৎ রাজ্য অসিগী মফম কয়দা পাঙথোক্কদৌরি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুরনা শিনদ্না পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্কনি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা সরকারগী, এদেদ অমসুং প্রাইবেট স্কুল খুদিংমক্তা নেসনেল দি-ৱার্মিং ডে অহানবা রাউন্দ হয়েং পাঙথোক্কনি। মার্চ ২০ দা লেমহৌবা অঙাংশিং হিদাক পীজগনি।

**পাকিস্থানঃ** পাকিস্তানগী বালুকিস্থান মাচ লমদমদা খুৎলায় পায়শিংনা পেসৱার-

ক্বেতা জাফর এক্সপ্রেস রেলগাড়ি এট্রেক তৌরকপগা লোয়ননা মীওই ৪৫০ হেন্না ফাজিল্লুরে। থৌদোক অদুদা লান্মীগী মীওই তরুক লৈখিদ্রে।

বালুকিস্থান সরকারগী মচিন চৎপা মীশক-সয়িদ রিমনা হায়-রেলগানি অদু বালুকিস্থানগী ক্বেতাদগী খাইবর পাটুনখ্বাগী পেসৱার তমা লাকপগী লম্বীদা খুৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী রেলগাড়ি অদু গুরুং চৎখিবনি।

পাউ খরনা হায়-থৌদো অদুগী মতুংদা খুৎলায় পায়বশিং অদুনা নুপী অঙাং য়াওনা রেলগাড়ি অদুদা তোংলকপা মীওই ১০০ হেন্না ফাজিনদুনা থমখ্রে। থৌদোক অদু বালুকিস্থান লমদমদা খুৎলিংদুনা বালোচ লিবরেসন আর্মি (বি.এল.এ) না চথুবনি হায়না দাবী তৌরক্লি। লুপ অসিনা পাকিস্তান সরকারদা করিগুম্বা লান্মীগী ওইবা থবক থৌরমশিং চথুক্লবদি মখা তাবা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌদোক কয়া থোক্কনি হায়না অকনবা ৱাফম থন্লক্লি। পাউ খরনা হায়-ওথোরিতিশিংনা এট্রেক অদুগী মতাংদা থিজিনবা হৌরে। অদুমওইনমক, মফম অদুদা লালহৌবশিং খুৎলিংদুনা লৈবা মরমনা সেক্যুরিতিশিংদা চাউনা শিংনবা অমা ওইরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা-মনিপুরগী এম.পি. অনিনা সেন্টরগী থৌশিলদা পেন্দবা ফোংদোকখিবা, বি.এস.এফকী গাড়ি লোখাদা তাশিনবদা পার্সোনেল অহুম লৈখিদবা অমসুং এম.এল.এশিংদগী শেলগী দিমান্দ তৌরকখিবা মীওই অহুম ইম্ফালদা পুরকখিবগী পাউ তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পোকফম পাউচেদা-মনিপুরগী ওইরিবা ইকোনোমি অসিনা ক্রাইসিস অসি মায়োকবা ঙমগনি খনব্রা হায়না এম.পি. বিমোলনা পার্লিয়ামেন্ট থমখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। নোংমৈ চিংদোলদা মনিপুরদা ইং তপ্পা

পুরকপা য়ারোই, প্রাইম মিনিস্তর মনিপুরদা চৎপীয়ু হায়না এম.পি. গৌরব গোগোইনা থমখিবা ৱাফম পাউ অসিদা বোক্স আইটেম ওইনা ফোংলি।

ইন্দিয়া লৈঙাকা মনিপুরবু অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা মান্নবা মীৎয়েং য়েংদুনা মনিপুরগী বজেট শেনফম থোকই হায়না এম.পি. বিমোলনা থমখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন ওইরি। কাংপোকপীদা পুলিসকী গাড়ি থুগায়বতা নত্তনা এম্বুলেন্স ফাওবা মনিং হলহনখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

ষ্টেটকী বজেটতা সেন্টরগী সেন্সিটিবিটি উদে, রিভাইস তৌবিয়ু হায়না মনিপুরগী এম.পি. অনিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ, সনা লৈবাক, ঈচেল এক্সপ্রেস, নহারোলগী থৌদাং, পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-স্পিকর য়াওনা এম.এল.এশিংদা নমথাক তোবগী কেসতা অহুম ফারে, মীওই অহুম্মক দিল্লিদগী মনিপুর পুলিসনা ইম্ফালদা পুরকখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

ইন্দিয়া লৈঙাকা চাদা ৫০ হেন্না সবসিদি পীরিবা পি.এম. সুর্য ঘর মুফট বিজিলি য়োজনাগী খুদোংচাব লৌবিয়ু হায়বা পাউ অমসু ঈচেল এক্সপ্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোংলি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমসুং মনিপুর মেলদসু ফোংলি।

কুকি জোশিংনা কৌথিবা মতম কত্তবা সটদাউন্দনা সেনাপতিদা গাড়ি ৫০০ হেন্না পন্দুনা লৈরি হায়বা পাউ অমা গানফিয়ু মেলগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।